# ইমরান খাননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা জিহাদ লাউথোকখিবা তরাইনা লৌফম থোক্তে ঃ এম ই এ





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী): পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা জিহাদ লাউথোকখিবগী ৰাফম তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্স (এম ই এ)না ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন রবিস কুমারনা হায়খি, পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)দগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) ফাওবা পাকিস্তাননা খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি ইন্দিয়াবু কায়হৌবনি হায়না লৌফম থোকই।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা রবিস কুমারনা হায়খি, পাকিস্তাননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং হকচিংন্না লৌফম থোকই। খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌফম থোক্লিবদি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ইফোঙ ফোঙনা জিহাদ লাউথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদনি।

শগোলশেন নুমিৎতা পাকিস্তান আর্মিনা শিল্লগা পি ও কে দগী লাইন ওফ কন্ট্রোল ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাং চপ চানা মায়োক্লনবা থৌরাং তৌরে হায়না ইন্দিয়ান আর্মিনা ফোঙদোকখি। আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা চরাংনবা ফিভম থোকহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না আর্মিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ান আর্মিগী ছোর্স অমনা এজেন্সিদা হায়খি, করিগুম্বা এল ও সিদা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎনবা থৌরাং লৌখৎলক্লবদি চপ চানা থেংননবা শেম শারে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেম্ব্লীগী মীফমা টর্কি অমদি মলেসিয়ানা কাশ্মিরগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৰাফম্বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সকী স্পোক্স পার্সননা হায়খি, মীচঙ মীখাই নাইবা মওংদা ফোঙদোকখিবা ৰাফম অদুনা ৰারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহল্লগনি। টর্কিনা কাশ্মিরবু ৰাফম পুখৎলকপগী মতাংদা ইন্দিয়ানা হায়খি, টর্কিস গভর্ণমেন্টনা কাশ্মিরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম মমুৎ তানা খঙলবা মতুংদা হিরম অসিগা মরী লৈনবা ৰাফম পুখৎলকদবনি। ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৰাফমদা টর্কিনা মরম চাদবা ৰাফম পুখৎখিবগী থৌওং অদুকন্দেম তৌফম থোকই।

য়ু এনগী মীফমদা মলেসিয়ানা কাশ্মিরগী ৰাফম পুখৎখিবগী তাংদা রবিস কুমারনা হায়খি, হন্দক মরক ইন্দিয়া অমসুং মলেসিয়াগী মরি ফগৎলকখিবগা লোয়ননা হিরম কয়াদা লৈবাক অনীনা মতেং পাঙনবগী ৰাফম য়ান্নখ্রবনি। অদুবু য়ু এন গী মীফমদা অচুম্বা অমত্তা য়াওদবা কশ্মীরগি ৰাফম পুখৎখিবগী থৌওং খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

# এন আই এনা জে কে এল এফকী লুচিংবা য়াসিন মালিক্কী মথক্তা সপ্লিমেন্টরি চার্জ সিট ফাইল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী): দিল্লিগী কোর্ট অমদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না জম্মু এন্দ কাশ্মির লিবরেসন ফ্রন্ট (জে কে এল এফ)কী লুচিংবা য়াসিন মালিক অমসুং অতোপ্পা মীওই মরিগী মথক্তা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে।

কুমজা ২০১৭কী টেরর ফন্দিং কেস অমগা মরী লৈননা এন আই এ না সপ্লিমেন্টরি চার্জ সিট ফাইল তৌখিবশিংগী মনুংদা অসিয়া অন্দ্রাবী, সবির সাহ, মসরট অলম অমদি জম্মু এন্দা কাশ্মিরগী এম এল এ ওইরম্বা রসিদ এঞ্জিনিয়র য়াওরি।

তোখাই তাবগী ইহৌ হৌরিবা মীওইশিংনা টেররিজমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা অমসুং কাশ্মির তম্পাক্তা চরাংনবা ফিভম থোকহন্নবগী মতাংদা য়াম্লবা শেনফম অমা ফংখি হায়বা ৰাফমগীম তাংদা লৌখৎলকপা কেসতা চাজ র্সিট ফাইল তৌরকপা হন্দক্কী অসিনা অনীশুবনি।

এন আই এগী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি সোসল মিদিয়া এভিদেন্স, কোল রেকোর্দ অমদি দোক্যুমেন্টরি এবিদেন্সনা অনৌবা খুদম চাংদম ওইবা য়াবা পোৎম কয়ামরুম ফংলে। অনৌবা এবিদেন্সশিংগী মতুং ইন্না চার্জসিটতা মরাল শীরিবা মীওইশিংগা ঙমখে ৰাংমদা লৈরিবা হফিজ সায়িদ অমদি সায়িদ সলাহুদ্দিনগা মরী লৈনবগী খুদম ফংলে।

কেস অসিদা জমাত-উদ-দৱাহ (জে য়ু দি)গী লুচিংবা হফিজ সায়িদ, হান্নগী এম এল এ এঞ্জিনিয়র সেখ অব্দুল রসিদ চেন্নরি। কুমজা ২০০৮দা মুম্বাইগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবনি হায়বা হফিজ সায়িদকী মথক্তসু কেস অসিগা মরী লৈননা চার্জ সিট ফাইল তৌখি। কুমজা ২০১৪দা ফাইল তৌখিবা চার্জসিটতা এন আই এনা জোইন্ট রেজিষ্টেন্স লিদরসিপ (জে আর এল)না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা কাশ্মির তম্পাক্তা মীয়ামগী অকনবা ইহৌ শাগৎলকখিবনি হায়রি।

য়াসিন মালিক, জে আর এল অমদি হুরিয়ট কনফরেন্স গিলানি গ্রুপনা লল্লোল ইতিক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং অতৈ ছোর্স কয়াদগী ফন্দ খোমগৎলগা কাশ্মির তম্পাক্তা মীয়ামগী অকনবা ইহৌ হৌহনখি হায়বগী মতিক চাবা খুদম ফংলে হায়রি।

কেস অসিদা মরাল লৈরে হায়না চার্জ তৌরিবা মীওইশিংনা য়াম্লবা শেনফম শীজিন্নরগা মফম কয়াদা লন্থী থিংবা, সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নঙ লংশিনবা অমদি কাশ্মির তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা নিংতম্বগী ঈশৈ শকপনচিংবা থৌওং কয়া চৎখি হায়রি।

এদিস্নেল সেসন্স জজ রাকেস শ্যালনা কেস অসিগী প্রোসিদিং চৎথরবা মতুংদা মখা তাবা হিয়ারিং চৎখনবগীদমক ওক্টোবর ২৩দা মতম লেপখি।

# এয়র চীফ মার্সল রাকেস কুমার সিংহ ভদোরিয়ানা এয়রফোর্সকী ওফিসার অনী এক্সন লৌখৎকদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী): হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৭তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বদগামদা শোইবদগী এম আই - ১৭ ভি-৫ হেলিকোপ্টর অমা কাপথখিবগীদমক ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী সিনিয়র ওফিসার অনীগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎলগনি।

পাকিস্তানি এয়র ফোর্সনা এটেক চথনবাহোৎনরকখিবাতানফমঅদুদা শোইবদগী ইন্দিয়ান এয়রফোর্সনা লৈবাক অসিগী হেলিকোপ্টর অমা কাপথখি হায়বা ৰাফম চীফ ওফ এয়র ষ্টাফ, এয়র চীফ মার্সল রাকেস কুমার সিংহ ভদোরিয়ানা য়াজখ্রে। এয়র ফোর্সকী পার্সনেল ৬ অমসুং মীচম অমা শীখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চথরকপা কোর্ট ওফ ইনক্কারি লোইশিল্লক্লে অমসুং ওফিসার অনী মরাল লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

চহীগী ওইনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এয়র চীফ মার্সল ভদোরিয়ানা হায়খি, এয়র ফোর্সকী মায়কৈদা অচৌবা অশোইবা অমা য়াওখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। মতুংদা মতৌ অসুম্না অমুক হন্না অশোইবা য়াওহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

পনবা য়াবদি, ফেব্রুৱারি ২৭তা শ্রিনগরদা বেজ তৌবা ১৫৪ হেলিকোপ্টর য়ুনিটতগী পায়খৎখিবা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী এম আই-১৭ ভি-৫ অমা বদগামদা এয়র দিফেন্স মিসাইলনা কাপথখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী নোংথক্তা কিলোমিটর ১০০ ৰাংবা মফমদা পায়খিবা হেলিকোপ্টর অদু এয়র দিফেন্স মিসাইল শীজিন্নদুনা কপথখি। শ্রিনগরগী এয়র বেজদা মথৌ তৌবা ওফিসারশিংনা হেলিকোপ্টর অদু য়েক্লবগী মিসাইল ওইরবোই নিংদুনা খুদক্তা কাপথনবা য়াথং পীখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা এয়র কোমোদোরগী থক্তা লৈবা ওফিসার অমনা কোর্ট ওফ ইক্কারি চথুদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অশোইবা অমদি মরাল লৈবা পুম্নমক খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি।

আই এ এফকী ট্রেনিং তৌরিবা লান্মী ৬ শীখিবগা লোয়ননা রোটেটেরিৱিংগী এয়র ক্রাফ অমা কায়খিবগী থৌদোক অদুদা মরু ওইবা ওফিসার অনী মরাল লৈবা থেংনরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। প্লেন কায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা খুঞ্জাশিংনা হেলিকোপ্টর অদুগী ব্লেক বোক্স হুরানখিবা মরম্না ইনভেষ্টিগেসন চথুবদা খুৎমাং চাওশিনবা ঙমখিদে। ফেব্রুৱারি ২৬তা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী মিরাজ-২০০০ ফাইটর জেটশিংনা পাকিস্তানদা লৈবা জে ই এমগী কেম্পশিংদা বোম থাদখিবনি।

# ‘পি এম মোদিসু খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা লুচিংবা অমা ওইরে’



হজারিবাগ, ওক্টোবর ০৪ (এজেন্সী): ভারিতয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জে পি নাদানা হায়খ্রে মদুদি হাওষ্টনদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা পুন্না শরুক য়ামিন্নখিবা মরম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু মালেমদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা লুচিংবশিংগী মনুং চল্লে।

হৌখিবা চহী ৫ রোম ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাক পায়খিবা মতমদসু মোদিনা মতিক চাবা লুচিংবা অমনি হায়বা মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা উৎপা ঙমখি। অমেরিকান প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা প্রোটোকোল থুগাইদুনা হাওষ্টনদা পাঙথোকখিবা ‘হাওদি মোদি’ থৌরমদা শরুক য়াখিবা মরম্না মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা প্রসিদেন্ট অমা মোদিগী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা অয়াবা পীরে হায়বগী পাউজেল অমা মীপুম খুদিংমক্তা য়ৌহনবা ঙমখি।

ঝরখন্দগী হজারিবাগতা পাঙথোকখিবা বি জে পি ৱার্করশিংগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংখিবদা নাদানা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না লৌমীশিংগী অপাম্বা পুম্নমক ফঙহনবগা লোয়ননা হেল্থ সেক্টরগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। লম্বী-থোং ফাওনহনবগী মতাংদসু শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং লৌখৎলে।

হৌজিক হৌজিক পায়খৎলক্লিবা থৌশিল অসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২৫দা ইন্দিয়াগী ইকনমি দোল্লর ত্রিলিয়ন ৫ য়ৌবা ঙম্লগনি হায়নসু হান্নগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টির্কল ৩৭০ লৌথোকখিবগী মতাংদা নাদানা হায়খি, স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা কাশ্মিরগী মীয়ামসু লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মীওইশিংগা চপ মান্নবা মওংদা খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙম্লগনি।


SALAI HOLDINGS PVT. LTD.
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur-795001, India

RECRUITMENT NOTICE

SALAI Holdings Pvt. Ltd. requires the service of qualified person for SALAI Mart to fill the following positions :

| Sl. No | Name of Post | No. of Post | Qualification | Experience required |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Store Manager | 4 | B.Com/BBA/BBM/MBA or above | Min. 2-8 yrs. exp. in managing departmental store, handling team. |
| 2 | Asst. Manager cum Cashier | 3 | | |
| 3 | Sales Executive | 14 | Any Graduate | Min. 1-3 yrs. exp. in sales. |
| 4 | Bakery or Pastry | 1 | Bachelor / Diploma in Hotel Management or equivalent | Min. 2-5 yrs. exp. in Food Service Industry. |
| 5 | Cake Specialist | 1 | | |
| 6 | Sous Chef Commis Chef Station Chef | 1 each | | |
| 7 | Brew Master | 1 | | |
| 8 | Hair Stylist 2 Female 2 Male | 4 | Any Graduate | Min 2-5 yrs. exp. in Salon Industry |
| 9 | Beautician | 4 | | |
| 10 | Asst. cum Helper | 3 | 10th Pass or above | |
| 11 | Butcher | 2 | 10th Pass or above | Should be able to cut Fish & Chicken meat efficiently |

**N.B. :- Salary will be as per Industry Standard**

Application (plain paper/neatly typed) with resume, two passport photo and all supporting documents should be submitted on or before 9th Oct. 2019, at HRD Office: Sagolband Tera Amudon Akham Leikai, Imphal West, near Manipur Star Institute. Interview date will be notified personally.

Sd/-
Secretary, Human Resources Department
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

HL-P/3837/4


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 533/SDC/NTK/2019**

Khundongbam (N) Thokchom (O) Tilotama Devi, W/o Bangshidor Singh of Nachou
...Petitioner.

-Vs-

Late Khundongbam Yaishkul Singh, S/o Late Gourachand Singh of Nachou
...Opponent.

**NOTICE**

Ningthoukhong, the 4th October, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর 41-Nachou Village গী Patta No. 277 (O) 354 (N) C.S. Dag No. 137 an Area 2.40 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ () অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১১/১০/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপদি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Ningthoukhong

HL-P/4010/5

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mut. Case No. 639/SDC/Oinam of 2019**

Mutum Ibungo Singh, S/o (L) M. Ranjit Singh of Oinam Mamang Leikai
...Applicant

-Vs-

(L) Mutum Nongyai Singh, S/o (L) M. Aber Singh of Oinam.
...O.P. Pattadar

**NOTICE**

Oinam, the 4th October, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩০- ওইনামগী পাট্টা নম্বর ৭৮২ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২০৭৯ এরিয়া একর ০.৫৬ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

*Sd/-* **Victoria Huidrom**,
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/4009/5


S3
STEP TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR 2-MONTHS REVISION COURSE
* DON'T MISS IT *
CLASS STARTING FROM 21ST OCTOBER, 2019
CLASS-X : MATHS, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE, ENGLISH AND MANIPURI
CLASS-XII : MATHS, PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, ENGLISH AND MANIPURI
CLASS TIMING -
MORNING : 4:30 - 7:30 A.M. & EVENING 4:30 - 8:00 P.M.
*LIMITED SEATS ONLY*
FEATURES :
- RUN BY GUEST WEL-KNOWN FACULTIES
- SEPARATE CLASSES FOR CBSE, BOSEM & COHSEM
- MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
- MEGA TEST SERIES
- VAN SERVICES & HOSTELS FOR BOTH BOYS & GIRLS
For more details please contact # 9856331259
HL-B/5692/25-29sept., 01-23oct (alt)



PIS Brick Field (Mechanised)
(From time to time rate changeable)
BRICK SAMPLE

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.10 | 2000 | Rs. 24200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26800 |
| 1st | Rs. 12.10 | 1500 | Rs. 18150 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20150 |
| 2nd | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 2nd | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 1st Rej. | Rs. 11.00 | 2000 | Rs. 22000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 24600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.00 | 1500 | Rs. 16500 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 18500 |
| Peti | Rs. 10.10 | 2000 | Rs. 20200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 22800 |
| Peti | Rs. 10.10 | 1500 | Rs. 15150 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 17150 |
| 3rd | Rs. 6.00 | 2000 | Rs. 12000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 14600 |
| 3rd | Rs. 6.00 | 1500 | Rs. 9000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 11000 |
| Chektek | Rs.5000/- per 1 load (Tata 407) | | | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 7000 |

Contact: 9862048579, 8787464898 (Sunday closed & Phone switch off)
Office Hours: 6:00 am to 4:30 pm
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
(HL-P/3773/23aug to 21oct(alt)



OUR SHINING STARS



1st Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
SOPHIYA ASEM

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE 2019-2020
Class XII Sc
Start on 11-11-2019
Class X (BOSEM)
Start on 24-10-2019 (Evening Shift)
12-11-2019 (Morning Shift)
NEW FOUNDATION COURSE 2020
Class IX, X, XII Sc
START ON 12-12-2019
SUBJECTS :
Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional
Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail : Visit Smart Tutorial
HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)



DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN
Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class Starting from: 16th October, 2019
Last Date of Admission 5th October, 2019
CBSE COHSEM
Class X & XII
Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Seperate Experienced Teachers for CBSE & COHSEM from Reputed Schools
Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam
Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Test Series in same patern of CBSE & COHSEM
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students
HL-B/5662/12sept.-12oct.